# কর্দিশ সীটিদা আই এসনা সুইসাইদ এটেক চথবদা মীওই ৪০ হেন্না শিরে



দামাসকস, জুলাই ২৭ (এজেন্সী) ঃ

কর্দিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা কামিশলি সীটিদা য়ুমশকৈশদা চথখিবা শাথীরবা বোম্মিং এটেক অমদা মীওই ৪৪ শিখ্রে হায়না সিরিয়ন ষ্টেট টেলিভিজনগী পাউনা হায়রি।

সুইসাইদ বোম্মর অমা য়াওবা ট্রক অমনা ব্লাষ্ট অদু থোকহনখিবনি। এটেক অদু কর্দিশ সিক্যুরিটি হেদক্বার্টর্স অমগী মনাক্তা চথখি হায়না য়ু কেদা বেজ তৌবা মোনিটরিং গ্রুপ অমনা হায়খি।

টর্কিগী বোর্দরগা তাইনবা হশাকেহ প্রোভিন্সতা পাঙথোকখিবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না আই এস আই এস নৎত্রগা ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখ্রে। মমাঙদসু আই এসনা এরিয়া অদুদা লৈরিবা কর্দশিংগী মায়োক্তা এটেক কয়া পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা কর্দিশ ফাইটরশিংনা লুচিংবা য়ু এসনা শৌগৎপা এলাইঅন্স অমা ওইরিবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)না হশাকেহদা লৈবা আই এসকী মায়োক্তা অচৌবা লাঞ্জং অমা হৌখিবনি।

ষ্টেট টি ভিনা বোম্মিং এটেক অদুগী মতুংদা ওইরকখিবা ফীভমশিং উৎখি। অচৌবা এরিয়া অমা অমাঙ-অতা থোকখিবা অমসুং মৈখু মপৈ-মপৈ কাখৎপগী শক্তমশিং টি ভি ফূটেজদা য়াওখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা মসিগী সেল্ফ ষ্টাইল্ড অমাক ন্যুজ এজেন্সীগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, সুইসাইদ বোম্মর অমনা গভর্ণমেন্টগী বিল্ডিং অমগী মনাক্তা লৈবা লোকেল কর্দিশ পুলিস সেন্টর অমদা ট্রক অমা পোকখায়হনখি।

এটেক অদু অহানবদা দবল বোম্মিং এটেকনি হায়না ফোঙদোক্লখি তৌইগুম্বসুং মদু অহানবগী ব্লাষ্ট অদুনা গ্যাস টেঙ্ক অমসু পোকখায়হনবা ওইরমখি হায়না এ এফ পিনা ফোঙদোক্লি।

# সুইসাইদ বোম্মর ১ সোমালিয়াগী হান্নগী এম পিনি : অল সবাব টেররিষ্ট গ্রুপ



মোগাদিসু, জুলাই ২৭ (এজেন্সী) ঃ

হৌখিবা কুমজা ২০১০ দা অল সবাব গ্রুপতা য়াওখিবা হান্নগী সোমালি এম পি অমা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং অফ্রিকান বেজ অমগী মনাক্তা মীওই ১৩ হাৎখিবা সুইসাইদ বোম্মর অনীগী মনুংদা অমা ওইখি হায়না সবাবকী মিলিটেন্টশিংনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

সুইসাইদ এটেক্করশিংনা থৌখিবা কার বোমশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা মোগাদিসুগী এয়রপোর্টকী মনাক্তা পোকখায়খি। কার বোম অমদি বেজ অদুদগী মিটর ২০০ রোম থাপতোক্লা পোকখায়খি অমসুং মরু ওইনা সিক্যুরিটি ষ্টাফশিং হাৎখি।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা সালাব বাদবাদো ২০০৪ দগী ২০১০ ফাওবা সোমালিয়াগী পার্লিয়ামেন্টদা সর্ভ তৌখি। পার্লিয়ামেন্টদগী পোথাখিবা চহী অদুদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা মহাক্না সোমালিয়াগী অল-কাইদা এফিলিয়েট-অল সবাবতা য়াওননবা মহাক পোলিটিক্স তোক্লগনি হায়খি।

“সালাহ বাদবাদো হায়না খঙনবা সালাহ নুহ ইশমাইল অসি হালানি মিলিটরি বেজদা এটেক অদু পাঙথোকখিবা থৌনা ফরবশিংগী মনুংদা য়াওখি” হায়না টেলিগ্রাম এপ অমসুং মখোয়গী এন্দালস রেদিও ষ্টেসনদা রিলিজ তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা গ্রুপ অদুনা হায়খি।

“মহাক হান্না লোমেকর অমা ওইরম্মী তৌইগুম্বসুং ২০১০ দা অরানবা মফম থাদোক্তুনা অশেংবা লাইনিং লম্বী অমসুং থবক্তা মায় ওনশিল্লকখি” হায়না সবাবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

এটেক অদু অফ্রিকান য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কন্দেম তৌখ্রে। য়ু এনগী পার্সনেল অমত্তা শিবগী কনফর্ম তৌবা লৈত্রি হায়রি।

গ্রুপ অদুগী রেদিও ষ্টেসননা হান্নগী এম পি অদুনা এটেক অদু পাঙথোক্কদবা পুং খরগী মমাঙদা লৌখিবা ওদিও মেসেজ অমা রিলিজ তৌখি। মদুদা মহাক্না সুইসাইদ এটেক অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

“ঐখোয়না পাঙথোক্কদৌরিবা মসিগী সুইসাইদ এটেক অসি অল্লাহগীদমক্তনি, মসি ঐখোয়গী লাইনিংগী তৌফম থোকপা থৌদাং অমনি। ঐখোয়না অল্লাহবু পেলহন্নবা অমসুং থাজদবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহন্নবা লেপ্লে। থাজদবশিং অসিনা মুস্লিম নেসনবু মাঙহন্নবা তৌবদগীদি ঐখোয়না মখোয়বু মাঙহনবনা হেনগনি” হায়না হান্নগী এম পি অদুনা ওদিও মেসেজ অমদা হায়খি।

সোমালি সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা বোম্মর অদুগী আইদেন্টিটি ঙসি ফাওবা কনফর্ম তৌবা ঙমদ্রি।

সবাব গ্রুপনা সোমালিয়া অমসুং য়ুমলোন্নবা কেনিয়াদা শাথীবা মীশি-মীনাগী এটেক কয়া চথদুনা লাকখি। মোগাদিসুগী মালেমনা বেকিং পীবা গভর্ণমেন্ট মুখৎনবা গ্রুপ অসিনা লাল হৌরিবনি।

চহী মঙাগী মমাঙদা গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিং কেপিটেলদগী তকথোকখি তৌইগুম্বসুং মখোয়না মিলিটরি, গভর্ণমেন্ট অমসুং সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা চাং নাইনা এটেক চথদুনা লাক্লি।

# য়ু এননা সাউথ সুদানগী প্রসিদেন্টদা ৱার্নিং তৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক,জুবা, জুলাই ২৭ঃ

পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট খুদিংমক চহী অনীরোমগী সিভিল ৱার লোইশিনহনখিবা পিছ দিল অদুগা চান্নহনগদবনি হায়না য়ু এননা সাউথ সুদানগী প্রসিদেন্ট সালভা কিরদা চেকশিন ৱা খঙহনখ্রে।

ৱার্নিং অদু কিরনা মহাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং রাইভেল রিক মাচরবু টাবান দেঙনা মহুৎ শীনখিবা মতুংদা লাকখিবনি। মহাক্কী খোঙথাং অদুনা ওগষ্টকী পিছ এগ্রীমেন্ট অদুবু কান্নফম খঙহন্দবগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চহী নৌরিবা লৈবাক অদুদা উংখৎনবগী ফীভম অমুক হল্লকহল্লগনি হায়রি।

“পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট খুদিংমক পিছ এগ্রীমেন্টদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগা চান্নগদবনি” হায়না য়ু এনগী স্পোক্সমেন ফারহান হকনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু য়োর্কতা হায়খি।

থা অসিগী অঙনবদা সাউথ সুদানগী কেপিটেল জুবাদা মাচার শৌগৎপা ফোর্সশিং অমসুং কিরবু শৌগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা নুমিৎ কয়ানিমুক টেঙ্ক, হেলিকোপ্টর অমসুং অতৈ অচৌবা খুৎলাই কয়া শীজিন্নদুনা খুৎ থোক্লরকপদগী মাচারনা কেপিটেল থাদোক্তুনা চৎখিবনি। লাল অদুদা অয়াম্বনা লান্মী ওইদুনা মীওই চা কয়া শিখি। মদুনা লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার অমুক হন্না থোক্লকপগী ফীভম লাক্লবরা হায়বগী অকিবা পোকহনখি।

পিছ দিল অদুবু কন্নবগীদমক্তা মাচারনা মহাকপু পুং ৪৮গী মনুংদা কন্টেক্ট তৌদুনা জুবাদা হল্লক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা কিরনা হৌখিবা চহীদা অল্টিমেটম অমা ইসু তৌখিবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা দেঙবু এপোইন্ট তৌখিবনি।

হান্নগী মাইনিং মিলিটরি অমসুং পিছ তোক্কী মতমদা মাচারগী এস পি এল এম-আই ও গ্রুপকী চীফ নিগোসিয়েটর ওইরম্বা দেঙনা কিরগী অল্টিমেটম অদুবু শৌগৎখি। মাচারনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মহাক্না দেঙবু মফম লৌথোকখি অমসুং কিরগী পার্টিদা চোংশিনবগী মরাল শীখ্রবনি।

## /শৈশকপা বীরকুমারবু থাগৎচরি



বীরকুমার

নুঙগী লায়েংবা বাবা **নবকিশোর** না ইবা **“চুম্মী” হায়না লৌবিব্রা? “লাল্লী” হায়না লৌবিব্রা?** হায়বা কান্নরবা লাইরিক অসিবু ঈশৈ ওইনা অমদি এলবম ওইনা পুথোকপীদুনা ঐখোয়বু তাবা অমদি য়েংবা ফঙহনবীবগীদমক **বীরকুমার** চিংঙা মখা মাইস্নাম লৈকায়দা লৈববু য়াম্না থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **থৌদাম ইবোমচা**
অৱাং সেকমাই (অৱাং লৈকায়)

H/L-P/9144/20/07-19/08

# পাকিস্তানদা হিন্দু নহা ১ কাপ্পুনা হাৎখ্রে

পাকিস্তান, জুলাই ২৭ (এজেন্সী) ঃ




কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অমা ওইনা শেংলবা কুরানবু ঙরাং করেম কথাইননা তৌখি হায়বগী ৱাহৌদা ঙসি পাকিস্তানগী সিন্দ প্রোভিন্সতা হিন্দু নহা অমা হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক-অপন নংখ্রে। মখোয় মীয়ামগী ঈরাং অমদা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়রি।

এটেক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুরান করেম কথাইনা তৌখিবনি হায়বা হিন্দু নহা অমা ফারবা মতুংদা চথুরকখিবনি। দেৱান শতিশ কুমার কৌবা চহী ১৭ কী নহা অদু মোব এটেক অদুদা শিখি অমসুং মহাক্কী মরুপ অভিনাশনা ফীভম লুনা শোকখি। মখোয় গোটকী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা টি ষ্টোল অমদা চা থক্তুনা লৈরিঙৈদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

কুরানবু করেম কথাইননা তৌখি হায়বা লৈবাকপোকপগী থৌদোক অদুগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবগী ফীভম লাকপদগী হিন্দু কম্যুনিটিগী লীদরশিংনা মখোয়গী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেনবীনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

থৌদোক থোকফমদুগী অকোয়বদা লৈবা মীশিংনা হায়খি, অমর লাল কৌবা ৱাথোক অমদা চেন্নরিবা নহা অদু থা খরগী মমাঙদা ইস্লাম লাইনিং লম্বীদা লাইমিং লৌখিবা মতুংদা মোস্ক অমদা লৈরকখিবা দ্রগ এদিক্ট অমনি। মহাক্কী ৱাখল মথোং মরম খঙদ্রবনি।”

মুস্লিমশিংগী শেংলবা লাইরিক অদুগী মৈ চাক্লবা চেনা খরা ধাহার্কিদা লৈবা অমনবা মোস্ক অমগী মপান্দা তাদুনা লৈরমখি। মফম অদুদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রোটেষ্টর-শিংনা মরাল লৈবা মীওইদু ফাননবা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ-মীফম ফমখি।

পুলিসনা একুজ অদু ফাখিবগা লোয়ননা হায়দোক্তবা মফম অমদা পুখ্রে হায়রি।

জামিরট-ঈ-উলেমা-ঈ-ইস্লামি ফাজল (জে য়ু আই এফ) অমসুং অহলে সুন্নাট ৱাল জমাট (এস এস দব্লিয়ু জে) য়াওনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা পার্টিশিংগী লোকেল লীদরশিংনা একুজ অদুবু অকনবা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুদা দেমোন্সট্রেটরশিংনা টয়ারশিং মৈ থাখি, হিন্দুশিংগী দুকানশিং থুগাইদুনা পোৎ-চৈ লৌখি অমসুং পুলিসকা খুৎ থোক্লখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী লীদরবু ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইহনখ্রে

জাকার্টা, জুলাই ২৭ (এজেন্সী) ঃ



ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মেনেজিং দিরেক্টরবু লৈবাক অদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা পুশিন্দুনা মার্কেট রিফোর্ম পান্থবশিংবু পেলহনখ্রে অমসুং ৱাথোক চাউগনবা হান্নগী জেনরেল অমবু সিক্যুরিটি চীফ ওইহন্দুনা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংবু নীংবা কায়হনখ্রে।

ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মুলয়ানি ইন্দ্রৱাটিবু ফাইনান্সকী মকোক ওইহনখি অমসুং হান্নগী জেনরেল ৱিরান্টোবু পোলিটিক্স, লো অমসুং সিক্যুরিটিগী কোওর্দিনেটিং মিনিষ্টর হাপখিবসি হান্না খন্নরম্বদগী হেন্না পাকথোক-চাউথোক্লবা কেবিনেট হোংদোক-হোংজিনগী শরুক অমনি। ট্রেদ, ইনর্জি, ট্রান্সপোর্ট অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টরশিংসু অচৌবা খোঙথাং অদুদা শীন্দোকখ্রে হায়রি।

“ঐখোয়না থেংনরিবা চেলেঞ্জশিংদা অহোংবা লাকই হায়বসি ঐহাক্না খঙই অমসুং ঐখোয়না য়াম্না থুনা থবক পায়খৎপা তাই, অথুবা ৱাৰেপশিং লৌবা তাই” হায়না ৱিদোদোনা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা পাউমীশিংদা হায়খি।” থবক ফংদবা অমসুং ইনকমদা থোং মান্নদবা ফীভম লৈরিবসি য়েংশিনবা তাই অমসুং কেবিনেটনা থুনা অমসুং ইফেক্টিভ ওইনা থবক তৌবা তাই।”

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মেনেজিং দিরেক্টর ওইনা ইন্দ্রৱাটিবু প্রসিদেন্টগী ইকনমিক টিমদা য়াওহল্লিবদুনা ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিংগী ফীভম ফগৎনখি, ইন্দোনেসিয়ন করেন্সি রুপিয়াগী ভেল্যুসু দোল্লরগা য়েংনবদা ০.৪ হেনগৎখি।

“মুলয়ানিবু ফাইনান্স মিনিষ্টর হাপ্লিবসি লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফীভমদা অহোংবা লাকহন্নবগীদমক্তনি। মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অদুনা ইনভেষ্টরশিংগী থাজবগী চাং খরা হঞ্জিনহল্লে। মহাক রিফোর্মর অমা ওইনা শেল-থুমগী ফীভমগী মায়ওন চৎহন্নীংবা মায়কৈদা চৎনবা মওংদা কন্ট্রোল ঙম্বা মীশক্লি” হায়না জকার্টাদা বেজ এনালিষ্ট পোল রোলেন্দনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট সুসিলো বাম্বাং য়ুখোয়োনোগী মখাদা ইন্দোনেসিয়াগী চীফ ইকনমিক অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর অনীমক ওইদুনা থবক পুরক্লবা মতুং কুমজা ২০১০ দা ইন্দ্রৱাটি ৱার্ল্ড বেঙ্কতা য়াওখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইদগী ইকনমিক্সতা পি ঐচ দি ১ পায়বা ইন্দ্রৱাটি পোলিটিকেল পার্টি অমগী মেম্বর অমা নত্তে। ২০০৮গী গ্লোবল ফাইনান্সিয়েল ক্রাইসিস মনুংদা ইন্দোনেসিয়াগী ইকনমি মায় পাক্লা মেনেজ তৌখিবগীদমক্তা মহাকপু থাগৎনখি।

“প্রসিদেন্টনা লৈবাক অসিগী গ্রোথ ফগৎহন্নবা ইকনমিক পোলিসিশিং মেনেজ তৌনবা ড্রিম টিম অমা পামই। মহাক্না শ্রী মুলয়ানিবু পামই” হায়না বেঙ্ক সেন্ট্রেল এসিয়াগী চীফ ইকনমিষ্ট দেভিদ সুম্যুঅলনা হায়খি।

# মীওই ১৯ থাঙনা থীন্দুনা হাৎখিবা মীশক্কী য়ুমদা জপানিজ পুলিসনা থি-হুমখ্রে

সাগামিহারা, জপান, জুলাই ২৭ঃ

ৱাখল শোইনাইরবশিংগী ফেসিলিটি অমদা মীওই ১৯ থাঙনা থীন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নদুনা মরাল লৈরে হায়না লৌরবা মীওই অদুগী ময়ুমদা ঙসি জপানিজ পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক অমা চথখ্রে।

সাটোশি য়ুমাটসু কৌবা চহী ২৬ শুরবা সম্পেক্ট অদু য়ুমশকৈশগী অঙনবদা লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমদগী য়োকোহামাগী প্রোসিক্যুটরগী ওফিসতা পুখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা এটেক্কর অদুনা শুপ্নগী মিনিট ৪০ খক্কী মনুংদা ফেসিলিটি অদুদা লৈরিবা চাউরাক্লা অপূনবা পেসিয়েন্ট মশীং ১৫০গী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম মথ্বায় মাঙহনখি নৎত্রগা শোকহনখি হায়না কানাগাৱা প্রিফেকচরেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। ফায়র দিপার্টমেন্টনা মীওই ২৫ শোকখিবগী মনুংদা ২০গী ফীভম লুনা লৈ হায়খি।

সাগামিহারা সীটিদা নোংঙাল্লম-দাইগী মতমদা শাথীরবা এটেক অদু চথবা লোইরবা মতুংদা কিল্লর য়ুমাটসু পুলিসতা চঙজখি।

সাগামিহারা সীটি টোকিয়োদগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫০ (মাইল ৩০) রোম লাপ্না লৈ। মহাক চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ফাওবা ফেসিলিটি অদুদা থবক তৌরম্মী। থা অদুদা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা লেট্টর অমা ইরদুনা হেন্দিকেপশিংগী ফেসিলিটি অনীদা এটেক তৌনবগী মীশি-মীনা য়াওবা প্লান অমা খঙহনখি অমসুং শোইনাইবা মীওই খুদিংমক হাৎতোক্কদবনি হায়খি।

কানাগাৱা প্রিফেকচর ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টগী ওফিসল সোগো নাকায়ামানা হায়খি মদুদি, নুমিৎ খরনিগী তুংদা সাগামিহারা ফেসিলিটি অদুগী ওফিসলশিংগা মহাক্না লেট্টর অদুগী মতাংদা নীংঙাই শংদানখি। মদুদগী য়ুমাটসু থবক তোকখি।

হিগোক মচুগী জেকেট অমগা লোয়ননা মকোক অমসুং মরেংজুম লোৎখিবা সম্পেক্ট অদু ঙসি সাগামিহারাগী পুলিস ষ্টেসন অমদগী পুথোকখি অমসুং মথক্তা ইমর্জেন্সিগী মৈঙালশিং থানবা অঙৌবা মচুগী ভেন অমগী মনীংদা চঙহনখি। ভেন অদুনা মফমদুদগী থৌদোক্লবা হোৎনবদা ফোটোগ্রাফরশিং অমসুং ভিদিও জর্নেলিষ্টশিংনা মদুদা য়োমশিনখি।

সাগামিহারাদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পুলিসনা ইভিদেন্স লৌবা য়ানবা কার্দবোর্দ বোক্সশিং পুশিনখি। য়ুমদুগী শরুক খরা পুলিসকী য়েলো তেপনা সিল্ড তৌশিনখি। ফেসিলিটি অদুগী ফীভম থীনা শোক্লবা পেসিয়েন্টশিংগী মনুংদা অমগী মমা-মপাশিংনা জপানিজ টেলিভিজন নেটৱার্ক এন টি ভিদা হায়খি মদুদি, মখোয়গী মচানুপাদু ৱাখল লাকপা ঙমদ্রে অমসুং খুৎশেমগী পাম্বৈনা শ্বর হোলহন্দুনা থল্লি।

“মহাক হান্না মফমদুগী ৱার্কর অমা ওইরম্বসিনা ঐহাকপু য়াম্না পেলহন্দ্রে” হায়না এটেক্কর অদুগী মরম পল্লদুনা অশোকপা অঙাংদুগী মমানা হায়খি। এন টি ভিনা মমা-মপাশিং অদুগী মশক তাকখিদে নৎত্রগা মখোয়গী মমায়শিং উৎখিদে।

য়ুমাটসুনা নোংয়াই মতুং পুং ২:১০ তাবদা বিল্ডিংগী থোঙনাও অমা থুগাইরগা ফেসিলিটিদুগী মনুংদা চঙশিনখি অমসুং মনুংদা লৈরিবা শোইনাইবা পেসিয়েন্টশিংগী মখৌরীশিংদা থাঙনা লেনখি।

সাগামিহারা ফায়র দিপার্টমেন্টগী ওফিসল কুনিও টাকানোনা হায়খি, অশিবশিংদুগী মনুংদা ১০ না নুপীশিংনি অমসুং মাপননা নুপাশিংনি। মখোয় চহী ১৯ দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈ। হাৎখিবা মীওই খুদিংমক ফেসিলিটি অদুদা লৈবা ঙাক্তনি হায়না কানাগারা ৱেলফ্যের দিভিজনগী অতোপ্পা ওফিসল অমনা হায়খি।

ভিক্টিমশিং অদু তূম্লিঙৈদা মীহাৎশিংদু পাঙথোকখিবরা নৎত্রগা মখোয়শিংদু করিমত্তা তৌবা ঙমখিদবরা হায়বদু য়ুমশকৈশ ফাওবদি শেংনা খঙখিদে।




# EMPLOYMENT NEWS

## WAPCOS Limited Recruitment 2016

WAPCOS Limited invites Applications for the post of 25 Engineer Trainee (Civil/Electrical) on contract basis. Apply before 16 August 2016 .

**Job Details :**
Post Name : Engineer Trainee (Civil/Electrical)
No of Vacancy : 25 Posts
Pay Scale : Rs. 16400-40500/-

**Eligibility Criteria for WAPCOS Recruitment :**
Educational Qualification : B. E./B. Tech. in Civil/Electrical Engineering from a recognized university.

Nationality : Indian
Age Limit : 27 years As on 30.06.2016

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : All India

**How to Apply WAPCOS Vacancy :** Interested candidates may send their CV in the prescribed proforma along with photocopies of documents in support of Date of birth, Qualification, Experience and Proof of category etc. send to Additional Chief Manager (Pers.), WAPCOS Limited Plot No. – 76 C, Institutional Area, Sector-18, Gurgaon, Haryana – 122015 on or before 16.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission Of Application Form : 16.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://wapcos.gov.in/Download.aspx?udi=1443&folderName=Job_Advertisement
Download Application Form : http://wapcos.gov.in/Download.aspx?udi=1444&folderName=Job_Advertisement

## BPCL Recruitment 2016

Bharat Petroleum Corporation Limited (BPCL) invites Application for the post of 40 Process Technician. Apply Online before 14 August 2016.

**Job Details :**
Post Name : Process Technician
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 13800-41000/-

**Eligibility Criteria for BPCL Recruitment :**
Educational Qualification : Diploma in Chemical Engineering/ Technology from a Government Polytechnic or equivalent Government recognized Institute of repute with First Class (60%). (Relaxable up to 50% for SC/ST Candidates) and withone year of experience in Oil Refining / Petroleum / Petrochemical / Chemical / Fertilizer industry etc. in a Factory / Manufacturing Unit of Repute.

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 27 years (As on 01.07.2016)

**Age Relaxation :**
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC Candidates : 3 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : All India

**Mode of Selection :** Selection will be made on written test and Skill Assessment test.

**How to Apply BPCL Vacancy :** Interested & eligible candidates may apply Online through the website www.bharatpetroleum.com from 30.07.2016 to 14.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 30.07.2016
Last Date for Submission Of Online Application : 14.08.2016
Important Links :
Detailed Advertisement Link : https://bharatpetroleum.com/images/files/Full%20Advertisement%20PT_Final_English(1).pdf
Apply Online : https://bharatpetroleum.com/Careers/current-openings.aspx

## High Court Chandigarh Recruitment 2016

High Court of Punjab & Haryana at Chandigarh invites application for the post of 04 Stenographer-III in Subordinate Courts of Punjab & Haryana by way of Direct recruitment. Apply Online before 21 August 2016.
Advt No. : 15S/SSSC/CHD/2016

**Job Details :**
Post Name : Stenographer-III
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 10300-34800/-
Grade Pay : Rs.3600/-

**Eligibility Criteria for High Court Chandigarh Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor of Arts or Bachelor of Science or equivalent thereto from a recognized university and must have proficiency in operation of computers (Word Processing and Spread Sheets).

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 30 years as on 01.01.2016

Job Location : Haryana

**Selection Process :** Candidates will be selected based on Computer Proficiency Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.1000/- through Challan.

**How to Apply :** Interested candidates may apply online through the website www.sssc.gov.in from 22.07.2016 to 21.08.2016 (Step-I) & 24.08.2016 (Step-II).

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 22.07.2016
Last Date For Registration of Application (Step-I) : 21.08.2016
Last Date For Submission of Application Fee in Bank : 23.08.2016
Last Date For Submission of Application (Step-II) : 24.08.2016
Detail Advertisement Link : http://www.recruitmenthighcourtchd.com/sssc/STENOGRAPHERGRIII.pdf
Apply Online : http://www.sssc.gov.in/postapplyCHD.aspx?enc=wBrHyVLI0AVtawjRgSt3lUJmturWyINvCxOYeEUnauPwm2CJ5r25ueIwSV174mwT